# নোংমা শুমাং লীলা য়েংলুবদা

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

শুমাং লীলা খঙদবা মীতৈ মচা লৈরম্লোই, মীতৈখক্তা নত্তনা মণিপুরবু মরু ওইনা মীতৈবু মমুৎ তানা খঙবা মীপূম খুদিংমক্নসু শুমাং লীলা খঙলমগনি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা যাত্রাৱালি হায়রম্বদগী ঙসিনা শুমাং লীলা নৎত্রগা শুমাং কুম্মৈ হায়না খঙনরিবা মমাঙঙৈদগী হৌনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনরক্লিবা ঐখোয়গী আর্ট ফোর্ম অসি ঙসিসু পাম্নবগী চাং ময়েং তাদ্রি। মতমগী মতুংইন্না অহোংবা খরা লাকখ্রবসু ঙসিসু লমদম অসিদা শুমাং লীলা হিংলি হায়না লৌবা য়ারি। ঙল্লিঙৈ মতমদা সাইকলদা ফিয়োম পুরগা মণিপুর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা চৎতুনা ধুলোক অমগা রামতাল অমখক্তগনা শান্নরম্বা শুমাং লীলানা ঙসিদি মদু য়াদ্রে য়াম্না চাউনা অহোংবা লাকখ্রে। ধুলোক অমসুং রামতাল শুমাং লীলাগা থাদোক্নবা য়াদবগী অহৌবদা মমিংতগী ওইনা য়াওরবসু মখা তানা শীজিন্নদ্রে, মদুগী মহুৎ গিটর, কিবোর্দ, পেদ দ্রম, বাঁসি অমদি তল্লানা শিনখ্রে। ঈশৈসু লীলারোইশিংনা শকখিদ্রে, নুপা অমদি নুপী খোঞ্জেলগী শৈশকপগা লোয়ননা ময়েক ইবা, কম্পোজ তৌবা মীওই তোঙান্না লৈরে, ইশম শম্না য়াম্না চাউনা অওনবা লাকখ্রে। অওনবা অসিনা মরম ওইরগা লীলাগী মমলসু ৱাংলে, লুপা লিশীং ৪০/৫০ লৌনরে হায় (ইশামক্না হকথেংনরুদবনা অশেংবা মমলদুদি খঙজদ্রে, মীনা ঙাঙনবদগী তাজবনি), হেল্লস্বসু য়াই, মতমসিগা য়েংনরুরবদি তাঙই হায়বা চুল্লোই। মমাঙঙৈদদি মীওই তরুক, তরেৎ খক্তনা শান্নরম্মী, ইপোম লীলাদি মী অহুমখক্তনা শান্নবসু থেংনখি। ঙসিদি মদু য়াদ্রে, এক্ট তৌরিবশিং অদুগী মথক্তা ঈশৈ শকপা, থিনবা-য়ৈবা, খোংবা অমদি ত্রান্সপোর্টেশনগী গাড়ী লোয়ননা শারিবা শক্তমগা চান্নবা ফিজোল অমদি মেক-অপনচিংবা পূম্নমক শেলগী শেল ঙাক্তনি। অদুগা লীলা অমা শান্ননবা হোৎনবদা শেল য়াম্না চঙবনা লীলা কৌবগী মমলসু য়াম্বা তাবনি।

মমাঙঙৈদগী হৌনা শুমাং লীলা মীয়াম্না পাম্নরবা কুম্মৈ অমা ওইরকই, ঙসিসু পাম্নরি। মীতৈ মচা অমা ওইনা ৱারেংজরিবা ঐ ইশামকসু শুমাং লীলা য়েংবা য়াম্না পাম্লকখি, য়েংলকখি। মতম অদুগী চৎনবী ওইনা লীলা পার্টিনা সাইকলদা পরেং-পরেং চৎপদা শান্নফম অমদি লীলা মমিং হংনৈ। ঐখোয়সু অদুগুম্বা থেংনরবদি হংই, মখোয়নসু হরাও-হরাও খুল্লম্মী। য়াম্না লাপ্পমক নৎত্রবদি সাইকলনা ওইরবসু চত্তুনা য়েংলকই। অদুবু মতমগী অওনবা অমদি অহোংবা কয়ানা মরম ওইরগা শুমাং লীলা য়েংলক্তবা চহী ৩০/৪০ মুক শুরম্লনি, য়েংনীংদবদি নত্তে। য়েংনীংলবসু লীলা পার্টিনা নোংমদা মফম ৩/৪গী চেবাউ লৌনবনা মতম চানা হৌদবা, লীলা কৌরিবা মীওইশিংনা (মরু ওইনা টিকেট প্লেদা) মী মপূং ফাদ্রিবা ফাওবা লীলা হৌহন্দবগী ঙাইবগী অৱাবা, ভাবোকশিংগী মরক্তা থকচিন-চাশিল্লগা কারন তারকপা য়াওবা, ফম্ফম নিংথিনা লৈতবা, ঙল্লিঙৈ মতমদা ষ্টেজ শাদবা অমদি মাইক্রোফোন পান্দবনা উবা ফংদবা অমসুং তাবা ৱাৎপা অমদি লাংবনা মরম ওইরগা দাইলোগ নিংথিনা তাবা ফংদবা অসিগুম্বা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা য়েংনীং-য়েংনীংনা য়েংখিদবনি। মতমগী মতুংইন্না শুমাং লীলানা শুমাং লীলা শঙলেন য়ৌরকখিবদগীদি য়েংবা ফংলমদবগী অৱাবা অদুমদি কোক্লে, মরক-মরক্তা য়েংবা ফংলে। মীওইবগী প্রোব্লেম লোইবা লৈতে হায়নবদু ওইরমাল্লে। কোভিদকী চৈথেং অমুক লাকখি, মখা তারকপদা কাঙলূপকী ঈরাংনা শমথরক্তুনা হরাও কুম্মৈ থিংবদা শুমাং লীলা য়াওখ্রে। হরাও কুম্মৈ থিংববুদি লায়না-তীলনা অমদি ঈরাং খক্তগী নত্তে, মমাঙথক্তগী হৌনা মরক-মরক্তা থিংদুনতা লাক্লবনি। লীলা থিংবনা ভাবোকশিংগী ওইনদি য়েংবা ফংদবা অদুখক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা প্রোব্লেম লৈত্রবসু লীলানা শিনফম অমা ওইনা হিংলিবা মীওইশিংগী মফমদদি অৱাবগী মশক্লি। চাকখাও হাঙলগা আর্টিষ্ট ওইবদি য়াদবনা তাহৈদবা পাউ কয়া তাখি। য়ূম পুবা ঙম্নবা হোৎনবদা ইঞ্জোল কোইদুনা শেল তান্নি হায়বা য়াও, য়ূম শাবগী জুগালি ওইনা চৎনি হায়বা য়াও, হোকর ফাওবা ওইনখি হায়বা তাখি। মসিদা নত্তনা ইন্সত্রুমেন্ট ফাওবা য়োল্লগা য়ূম পুই হায়নবসু তাখি, মসিবু তাহৈবা ৱাহৈশিংলা? তাবদা নুংঙাইরিবরা?

মতম কুইনা লেপ্লুরবা মতুংদা মণিপুর শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা হৌখিবা জন্যুৱারী ৬তগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ ১৯নি চূপ্পা ২১শুবা নীংথম কুম্মৈ হায়না মিংথোনবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অমা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। (মখা তানা শুমাং লীলা শান্নগদ্রা শান্নরোইদ্রা অশেংবদি খঙদে) মী য়াম্না য়েংনখি। ওথোরিটিনা লাউথোকপগী মতুংইন্না শঙলেন অদু মীওই ২৫০০গী কেপাসিটিনি হায়। নুমিৎ খুদিংগী ফুলমক ওইদ্রবসু মী মশীং য়াম্না য়েংনখি। অরোইবা নুমিৎকী টিকেট মমল লুপা ২০০ অমসুং ৫০০ ওইবদা ফুল ওইখি, টিকেট ফংনদদুনা সেকেন্দ শো অমসু উৎখি। মসিনা তাকই ঐখোয়গী শুমাং লীলা হিংলি, মীয়াম্না পাম্নরি। লীলা নুংঙাইবা-নুংঙাইতবা, ফজবা-ফজদবগী মতাংদা নৈনজ রোই। তোঙান তোঙানবা অইবা কয়ানা ইরকপা অমদি টেলেন্ট মান্নদবা আর্টিষ্ট কয়ানা শান্নরকপনা মহাওসু মান্নদবা তাবনি। মমিং লৈখিবা লীলা পার্টিনি নুংঙাইনি খন্দুনা চৎলগা অনৌবা আর্টিষ্টনা মশীং য়াম্লমদুনা নীংবা কায়দুনা হল্লকপসু য়াওখিদবা নত্তে। ভাবোকশিংগী মরক্তসু চহী খরা লৈশিনখ্রবা ঐখোয়গুম্বনা অয়াম্বনি, নহাসু য়াওদববুদি নত্তে, মতম লেনবা ওইনা লাকপনা মশীং য়াম্মী হায়জবনি। খরা তোয়না য়েংলবনিনা নোংমগী খঙন চান্নবা অমা/অনী, অমা/অনীসু থেংনৈ। ঐনা খঙবা মশক নাইবা মীওই কয়া অমসু লাকখিবা থেংনখি।

লাকচনীংলিবদি, মী মখল শুনা য়েংখি হায়জনীংবনি। তোঙান তোঙানবা এজ গ্রুপ অমসুং মখল কয়াগী মীওইশিংগী মমাঙদা লীলা শান্নবা হায়বসিসু অরাইবদি নত্তে। হৌজিক্তি লীলাসিসু লীলাদা লীলা তাহনবসু য়াদ্রে, রিএলিটিরোমদা নকশিলহন্দুনা অশেংবা মালহনবসু মথৌ তারে। ফাগিসু অদু মঙাই মমাঙঙৈগী ছাটিন কান-কান্দুনা ফোৎপদু য়াদ্রে। মমিং মথামক পল্লুদ্রবসু হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অদুদসু নোক্নবা হাপ্পদা নোকউ য়াখিদবা, চানদবা, লীলা শাংদোক্নবা হাপ্পদা মরী শম্নৌ হায়বা য়াখিদবা কয়া অমসু য়াওখিদবদি নত্তে। অদুম ওইনমক পূন্না য়েংবদা ফেষ্টিবেল অদু মপূং ফাখি, মায় পাকখি হায়না লৌবা য়াই।

মতম কুইনা য়েংবা ফংলুদ্রবা শুমাং লীলা অমুক য়েংবা ফংহনবদা য়াম্না নুংঙাই। মতম লেনবদা অৱাবা ওইরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী ওইনদি কাউন্সিলনা পীবিবা অচৌবা খুদোল অমনি হায়না লৌবা য়াই। লীলা য়েংবগী এন্ত্রি ফীসু য়াম্না হোঙই হায়না লৌবা য়াই। হৌজিকপু প্লে অমা য়েংবদা লুপা ৫০ খক লৌবা হায়বসিদি য়ামখিদ্রবা শেনফম্মি, খরবু হেনগৎলম্বা য়াবনি। লীলা য়েংনবগী টিকেট লুপা ৫০ খক লৌরগা লম্বীদা গাড়ী থমহল্লগা লুপা ৪০ (ফোর হ্বিলর) লৌখিবা অসিদি মরম চাবরা হায়বদুসু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ, মদুসু মাঙখিবগী থৌদাংসু লৌরোই হায়না টিকেটতা ইরিবদুনা গাড়ী শংবীবা নত্তে, শেল তানবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। হেন্না নুংঙাইত্রিবদি ৱাশ রুম (মপান থোকফম) মতিক চানা লৈতবা অদুনি। ঐহাক্তি ঈশিং তোয়না থকই, গাড়ীদসু বোট্টল অদুম হাপ্পী, লীলা য়েংবদসু বোট্টল মচা অমা অদুম পুশিল্লি। ঐগা নুংতিগী লীলা য়েংমিন্নবা মরুপ ব্রজ বিধুদা ঈশিং থকউ হায়না বোট্টল পীরুবদা মপান থোক্লিংলক্কনি হায়না থকউ হায়বা য়াখিদবদু খল্লুবদা নুংঙাইতে। অৱাং থংবা অদোমদা (কনানা মেন্টেন তৌবনো অশেংবদি খঙদে) ঈশিং মরাং কায়নসু ফংদবা, বেশিন অতেকপদু ফাওবা শেমজিন্দদুনা তাদুনা লৈরিবা টোইলেট অদুদা লুপপা ১০/১০ লৌরগা মপান থোকহল্লিবা অদুদি হেনমন্দ্রা হায়বনিদা? মীওই ২৫০০গী কেপাসিটি ওইবা হোল অদুগী হাউস ফুল ওইবা নুমিত্তা মাপন থোকফম থিববদা ফেন্সিং মরুমদা, লম্বীগী নাকলদা অমদি মরুম থিনরিবা অদুসু ওথোরিটিনা উবীফম থোকই হায়জনীংবনিদা।

টিকেট মমল খরা হেন্না লৌরবসু, গাড়ী থম্বগী মমল ময়াম্না লৌনরিবা চাংদা লৌরবসু মপান থোকফম ফাওবদি মরাং কায়না শেল লৌদনা থোকহনবা য়াই হায়জনীংলকপনিদা। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মতম শাংনা লেপ্লুরবা মতুংদা শুমাং লীলা য়েংবা ফংবদা মরু ওইনা মতম লেনবদা অৱাবা ওইরিবা অহলশিংগী মফমদদি নুঙাইবা ফাওজখি। নুংতিগী য়েংবা লাকপা অহল খরনা থা খুদিংগী য়ামদ্রবদা লীলা অমমমতা ওইরবসু শান্নহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখিবসু লৈ। মরী লৈনবশিংনসু অহলশিংগী অপাম্বা অসি খন্নবীরবদি সিনিয়র সিটিজনশিংগী অপাম্বসু থুংবগা লোয়ননা লীলানা শিনফম ওইজবা মীওইশিংদসু খরদা ওইরবসু মতেং ওইবা য়াই। শুমাং লীলা য়েংলুবদা খল্লকপনিদা। ●

# মনা-মশিংনা হীদাক ওইনা লায়েংবা

- ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্র -

পেরুক হায়বা পাম্বী অসিগী কান্নবা হেল্লক্লি। পেরুক্কী কান্নবা অসিগীদমক চৈরাওবগী য়াম্নমক মরু ওইবা তঙাইফদবা অমা ওইনা হাপ্পরি। শিংজুদসু ময়াল অমা ওইনা তঙাইফদনা শীজিন্নরি। খম্বনা পীক্লিঙৈদা পেরুক্না চিন্দম্বা, চাউম্লকই হায়না ঙসিসু ৱারীনরি। লোক্তাক্কী ঈশিং খম্নুনা ফিজিদা চোৎলগা মদুনা মমা লৈত্রবা খম্বগী মমাগী খোল্লাং অমৃত ওইনা মহুৎ শিন্দুনা ইনবিরকই হায়নৈ। খম্বনা মপাঙ্গল কল্লম্বা অসিদি লায়রমনবনা ওইরম্লে হায়বসি হৌজিক্তা ময়েক শেংলক্লি। পেরুক মণিপুরগী অচৌবা কৈথেল অমসুং অপীকপা কৈথেল পূম্নমক্তা মরাং কায়না ফংই হায়বা য়াই। অদুনু নোংমগী মনা অমা/অনী নৎত্রগা পাম্বী অমা/অনী চাবদা য়াম্নমক কান্নবা অনা-অয়েক লৈতবা মখলগী শিদ-হীদাক অমনি হায়না লৌনরক্লি। ঐখোয়গী মৈত্রবাক অসিদা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরম্লিবা মনা-মশিং অসি য়াম্নমক য়ামখ্রে। অসিগুম্বা মনা-মশিং অসি মচল শুনা চাবনা য়াম্নমক কানৈ হায়বসি কাউথোকপা য়াদে। মনা-মশিং মখল কয়া লৈশেন্নকপদগী লৈরম্লে। মসিবু ঐখোয়না চীঞ্জাক ওইনা চাদুনা অনা-অয়েক্তগী ঙাকথোকপা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়বা য়াই। মহৌশানা খুদোল ওইনা থম্বীরম্লবা পোৎশক অমা হায়বা তারবদি পেরুক হায়বসিসু অমনি। মসিগী সাইন্টিফিক ওইবা মমিংদি ‘সেন্তেল্লা এসিয়েটিকা’ হায়বসিনি। পেরুক অসি নোংমগী মনা মঙা নৎত্রগা তরেৎ নুমিৎ খুদিংগী চাবনা অনা-অয়েক পূম্নমক্তগী কনবা ঙম্মী হায়নৈ।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীতৈগী চৈরাওবদা নৎত্রগা চাক্কী থৌরম অমদা পেরুক চম্ফুৎ অমসুং পেরুক য়াওবা শিংজু অসি য়াওদবা লৈতে। মখা তানা চাক্কী থৌরম অমগী অহানবা এঞ্জাং অসি লৌখৎপদা পেরুক চম্ফুৎ অসিনা অহৌবা ওইনা লৌখত্তুনা চানরি। মাইবগী কাঙলোন্দসু শক্লাইরবা মাইবরেন কবুই সলাং মাইবনা পেরুকপু মখল মখা কয়াদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বা ঐখোয়না মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা থেংনরি। মহৌশাদগী ঐখোয়না য়াম্না পাম্না চানরিবা অমসুং চিন-লৈবু তশেং-তশেংনা চীঞ্জাক মহাও খঙনা চাবদা পেরুক চাং নাইনা চাবনা য়াম্নমক মতেং পাংই। পেরুক্না কান্নবা পীবা অসিদি ঐখোয়না কূপ্না থিজিনবা তৌরুদে। পেরুক চাবনা এন্টি ওক্সিদেন্ট অমদি হকচাংদা মখল মখা কয়াগী কান্নবা কয়া অমা পীরি। পেরুক্না আইরন, পোটাসিয়ম অমসুং মেঙ্গানিজ মরাং কায়না য়াওবনা পেরুক চাবদা হেমোগ্লোবিনগী লেভেল হেনগৎহল্লি। মসি চাবনা অঙাংশিংদা ব্রেনদা শোন্থরক্কদবা লায়না কয়ামুক থোরক্কদবদু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

হৌজিক্কী মতমদদি অয়াম্বা মহৈরোয়শিং অসিনা সবজেক্ট ৪/৫ তোঙান তোঙানবা ওজাশিংদা ট্যুশন চৎলুরগা অমুক স্কুলদা চৎপদদি মশাগী মপাঙ্গল (ষ্টেমিনা অসি য়াম্না শোন্থে। অসিগুম্বা মশাদা অৱাৎপা কয়া অসি মেনখৎপা ঙম্নবা পেরুক্কী মহি অসি পীথকপা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়বা য়াই। পেরুক মহিগী কান্নবা অসি খরদং পঞ্জরবদা কেন্সর, দাইএবেটিস, অর্থ্রাইটিজ, হার্টকী প্রোব্লেম, লিভর প্রোব্লেম, স্কিন প্রোব্লেম, লংস প্রোব্লেম, ব্লদ প্রেসর,



স্পাইনেল কোর্দ প্রোব্লেম, পাইলস, গাউট, এলর্জি, কোলেষ্টেরোল প্রোব্লেম অমসুং নুপীগী ঈগী মরীশিংগী অনাবা ফহল্লি।

ঙসিদি পেরুক্কী কান্নবশিং অসি মমুৎ তানা খঙনরকপদগী শক্লাইরবা ডা. উপধ্যায় বেদিক রিসর্ছ লেবোরেটরি, পুনেনা পেরুক্তগী শুংবা ‘পেরুক সিবুকথোর্ন’ হায়না মিংথোনবা সিরপকী মওংদা পুথোরক্তুনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা কবুই সলাং মাইবা হেল্থক্যেরদা হৌখিবা জন্যুৱারী থাদগী লোঞ্চ তৌদুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রে। মালেমগী ওইনা শকখঙলবা ফসাই অমসুং য়ু এস এফ দি এনা শক্তাক চে পীদুনা মালেমদা য়োনবা য়ানবা অয়াবা পীখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা মোইরাং, ককচীং অমসুং ন্যু দেল্লীদা ব্রাঞ্চশিংসু হাংখ্রে। জিরিবামদসু হাংনবা থবক লোইশিল্লক্লে।

পেরুক সিবুকথোর্ন হায়না মিংথোনবা হীদাক মহি অসি শাবদা য়াওরিবা মচাকশিংদি পেরুক, হৈক্রু, এলোবেরা, নুঙ্গারৈ, জিনসেং, সাজনা, সিবুকথোর্ন অমসুং য়াষ্টিমাধু হায়রিবশিং অসিনি। ঐখোয়গী অহল লমনশিংনসু পেরুকপু মাঙলমচৎতগী মশক-মগুণ খঙনদুনা অদুম্মক লাক্লি। অদুবু মীওইবগী থৌশারুদবনা পূম্নমক্তু হেক-হেক কাউথোক্লে। ঙসিদি ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তবা পূন্সি মহিং অমদা লৈনবা পেরুক্তগী পুথোক্লিবা হীদাক মখল অসি শীজিন্নদুনা নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মথৌ তারবনি।

পেরুকপু মালেমদা শক্তাক্তুনা খঙহন্নবা সেমিনার অমা দেল্লীদা লৈবা ষ্টার হোটেল পাম গ্রীন হোটেল এন্দ রিজোর্টসতা কুমজা ২০২৪গী জুন ২২দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীহুৎ ১৮০ রোম শরুক য়াখি। লৈফম, চাফম অমদি সেমিনার হোল য়াম্না ফজবা মফম ওইখি। তশেং-তশেংনা মনা-মশিংতা পীজখি। মরু ওইনা সিনিয়র ওইরবা ঐখোয়গীদি হেন্না পামজবা ওইখি। মণিপুরদগী চৎলিবা ঐখোয় ১৬সু ত্রেনিং অসি ফংহল্লকখি। সিনিয়র টিম অসিগী লিদরনা ডা. কে ঐচ হেরোজিৎনি। অতৈদি মোইরাংথেম কল্পনা, থিয়াম কুমার, পুখ্রম্বম রোমেস, নোংমাইথেম মনিচৌ, বিদ্যারানি, রবিতা, প্রমদা, লক্ষ্মিরানি, শক্ষিতোম্বী, ধনবতি, ইবেতোম্বী, ইবেহায়বী, আশা সলাম, বিনারানি অমসুং ৱারেংজরিবা ইশামক্লি।

সেমিনার অসিগী দিরেক্টরদি ডা.ললিত অরোরা হায়বসিনি। মহাক্কী ইন্সটিট্যুট অসি কে দল্লিয়ু একাদেমি ওফ এক্সিলেন্স হায়বসিনি। মহাক ইন্দিয়াগী দিজিটেল নেটৱর্ক মার্কেটিংদা চহী ২৫গী এক্সপরিএন্স লৈরবা মীশক অমনি। মহাক ইন্টরনেশনল স্পিকরনি, মোটিবেস্নেল ত্রেনরনি, অমরোমদা পোজিটিভ থিঙ্কর অমসুনি। মহাক্কী একাদেমি অসিদা তোঙান তোঙানবা ফেকল্টি কেটেগোরি ১০গী মথক্তা লৈরে। অসিগীসু মথক্তা ডা. ললিত অরোরা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ওন্ত্রপ্রেনিয়রশিপকী মহৈ তম্ফম ওন্ত্রপ্রেনিয়রশিপ দিভেলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরনি। মহাক্কী স্পিসিএলাইজেশন্না ফাইনান্স অমসুং বেঙ্কিংনি। মহাক্না অখন্নবা মমল য়াম্লবা লাইরিক খরসু ইখ্রে। ভিদিও ফিল্ম কয়াসু পুথোক্তুনা মীয়ামদা উহনখ্রে। হৌজিক মহাক্কী কে দল্লিয়ু একাদেমি অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী পাম্নবা ত্রেনিং সেমিনারগী একাদেমি অমসু ওইরিবনি। মহাক্কী ৱাফমদা ‘শেল তুংশিন্নবা হান্না খনগনু, শেল তান্নবা হান্না হোৎনৌ’ হায়বসিনি। তশেংনমক শেল তানবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি। পূম্নমক শেলনা শান্নবা লীলা ওইরম্লে হায়বা য়াই। অদুনা শুকতৌ তৌদববুদি খরা তৌবনা ফৈ হায়বা ৱাফমসি ফোঙদোকচনীংই।

অসিগুম্বা মখলগী সেমিনার/ত্রেনিং অসিনা লৈবাক্কী ওইবা নেশনল ইকোনমি অসি হেন্না ফগৎহনগনি হায়না থাজবা থমজৈ। মখা তানা পেরুক হায়বসি মনাতা নত্তনা মরূ অমসুং মরা ফাওবা পূম্নমক শীজিন্নবা য়াবা পাম্বী অমনি হায়না খঙনরে। পেরুক মহি চাং নাইনা থকপনা পীবা কান্নবা মখল খরা পনবা তারবদি - চাকখাওদা ঈ থোকপা অমসুং চাথৎপদগী কনবা ঙম্মী। চাবা থকপদা তুম্বা ৱাৎপদগীসু কনবা ঙম্মী। চাকখাও ফগৎলবদি লিভরগী লায়না কয়াদগীসু কনবা ঙম্মী। অশোক-অপনবা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবদসু পেরুক্না য়াম্না কান্নবা পী। মসিনা অর্থ্রাইটিসপু লায়েংবদসু চাউনা কান্নবা পীবা ঙম্মী। লোক খুবা অমসুং নিংশা শ্বর হোনবদা নুংঙাইতবা অদুদসু পেরুক্না কান্নবা য়াম্না ফংহল্লি। নুপীমচাশিংগী মরু ওইনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইরক্তবদা মসি শীজিন্নবনা চাংনাইহনবদা য়াম্নমক মতেং পাংই।

অঙাং চহী ৫গী মথকশিংনা ‘পেরুক সিবুকথোর্ন’ অসি থকপনা ইম্ম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লি। লোয়ননা ষ্টেমিনাদা ফগৎহন্দুনা অঙাংশিংদা চঙলকপা য়াবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিসু খঙনরে। শম কেনবা অমসুং মচু ঙাংশিল্লকপদগীসু পেরুক মহি অসিনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। ব্লদ প্রেসর অমসুং দাইএবেটিসতগী ফহনবসু হীদাক অসিনা য়াম্না কান্নবা ফংই। পেরুক অসি ইন্দিয়া, চাইনা, ইন্দোনেসিয়া, শ্রীলঙ্কা, সাউথ অফ্রিকা, য়ুরোপকী লমদমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না ফংবতা নত্তনা মেদিস্নেল ভেল্যু ৱাংবা অসিগীদমক লমদমশিং অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্মৈ।

‘পেরুক সিবুকথোর্ন’ হায়বা হীদাক অসি চাবনা শাউনীংহন্দবা, মোমোন নোক্তুনা মতম পূম্বদা লৈনীংবা হীদাক অমসু ওইরি। মসিদা মমল লৈরবা ওমেগা হায়বসি য়াওনা দাইএবেটিস অনাবশিংগীসু য়াম্না কান্নবা হীদাক অমা ওই। হীদাক অসি অঙাংশিংগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা ব্রেন টোনিক অমনি। মসি শীজিন্নবনা লাইরিক্তা পূক্নিং চঙবা, নীংশিংবগী শক্তি হেনগৎহনবা, ৱারেপ লৌবদা, প্রোব্লেম সোলভিংদা মাঙজিল থাবা কয়া অমসু লৈরি। ঐতিহাসিক ওইরবা কবুই সলাং মাইবা হায়বা মাইবা অসিনা শিদ হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বা পোৎশক অমনি হায়না পেরুকপু মীয়াম্না খঙনরি। ●

# খুমন কোকপা লাই ওইখিবা

- চুংখাম মধুমঙ্গোল -

খুমন নিংথৌ থিংকোল লিকমাপনা নুংপী লৈমা পান্নরগা খুমন কোকপা, খল্লাংপা, নিংথৌখোং অমসুং য়াইথিংবা পোকএ। খুমন কোকপা নবুথৌগী মীংলেন্দি খুমন নিংথৌ কোকপা অহানবা হায়না কৌই। অদোন কোকপা অহানবা কৌবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো? অপোকপা মপা থিঙ্গোল লীকমাবনা মহাক্না পোকনা নুমিৎ ৫নি শুরবদা য়ুপাল থাবা, য়ুমশেংবা নুমিৎ অসিদা খুমনগী ইপারাই-ইপুরাই পূম্নমক ঐগী ইচানুপা অসিবু খুমনগী নিংথৌ ওইনবা থৌজানবীয়ু, অদুগা ইচা-ইনাই ওইরিবা খুমনশিংসু মশীং হেনগৎপা পীনবীয়ু। ইচানুপা অসিবুসু অশংবা হৈদা চংবা মমুনবা হৈদা তীলনা হুৎপগুম্বা লাইথুংদু চংহনবীগনো থুংহনবীগনু হায়দুনা তাইরেন মরোং পায়দুনা লাইবক নোংদমলিবা অথোইবা লাইনিংথৌদা পাউতাক্তুনা তানরগা মচাবু ফত্ত-হাওদি কোকপী হায়দুনা অদুগী নুমিৎতুগী মরমদগী কোকপা অহানবা হায়না থোনখি।

কোকপা অহানবদি খুমন লৈপাক্কী খাথাবু ৱারক্তুনা লাইথাবু ৱায়েন-ৱাতেমদুনা পাল্লদা, মমিং চৎলবা খুমন মীশিংগা তান-তীন্নদুনা ৱারেপ্লখি। খুমন ঐখোয়গী ইচা ইনাই ওইবা, মীশিং য়াম্বা হুইতাওশিং মীগী মমৌ, মৌগী মনাক্তা লেক্নগুমসি, মীগী মতু মশক ফজবী পাম্নগুমসি, অদুগা ষণ হায়বা শা অসিবু মশা চানগুমসি হায়না কংলাদা ৱারেপ্নরববু থৌওই ৱাওইদনা খুমন কৌজেংবগী অরোইবা ষণবু খুমনগী নোংচুহনবা পাম্বনা খুমন অমত্তা তাকথোক ফোঙদোকপা খঙহন-তাহনবা তৌদনা লোন্না হুরান্দুনা চাথোক্লম্বগীদমক খুমন কৌজেংবনা অমু নোঙ্গা পানবা, ৱা পূম্নমক ফোঙদোক্নদুনা ৱায়েন তৌরগা ৱারক-ৱাতেম্নবা খুমনগী কংলাদা ৱাশক্তুনা ৱায়েন তৌদুনা ৱারেপ্নরুসি হায়রবদা খুমনগী অমু নোঙ্গা পাম্বনা মবুক ফত্তবগী অচৌবা লৌ তৌদুনা মহাক্কী নুংশিজরবী মচানুপীবু মখূৎজেং, মখুদাং পায়দুনা লোন্না কৌথোকখি। ইপাগী ইবেম্মা খুমন য়েক ওইবী নিংঙোল নঙনা কংলাগী ফান মখাদা লোত্তুনা লৈরুরো অদুগা ৱায়েনগী ৱাহং-পাউহংলকপদা মশাগী তানবা ৱারম পূম্নমক্তা লোইনরিবী মহাক্কী মচা মরুম পুরি-পোক্লিবী মতুগী মনাক্তা অহিং লেকমিন্নগনু। মশাগী মনাই ওইনবা মীবু ফারগা খোমগনু, মখোঙ মরি পানবগী মরক্তগী অথোইবা শা অদুনা মশাগী নত্তবা মীতোপকী ষণ ওইরবদি চাবা য়াই চানৌ হায়না চীংশোংদগী য়াল্লগা উনা শাবা কংলাগী ফম্বাল মরক মনুংদগী খুমন নিংথৌ মখোলজেল শাদুনা হায়রক-খুম্লকউ হায়দুনা ইনশিন-শিকচিনবগী থৌশিলদগী অদোন-কৌজেংবগা অমু নোংগা পাম্বগা অনীমক্না খুমন লৈবাক্কী নিংথৌ নহান নোংমা, মীগী মতু মশক ফজবী কল্লক্নদবা, মীনাই ওইনবা মীতোপ ফা-পুন্দবা, মখোঙ মরি পানবা অথোইবা য়ুমশা ওইরিবা মীগী মষণ চান্নগুমসি হায়খিবা নৎত্রা হায়না কংলাদা ৱাকৎচরকপবু কংলা চীংশোং উগী ফাঞ্জাওগী মখা মনুংদা মশা থুপচিন কোনশিন্দুনা উহন্দনা লোৎতুনা লৈরিবী মচানুপীদুনা খুম্লকখি।

খুমন কৌবশিংও মীগী মতু মশক ফজবসিবু কল্লক মীহৌরুগনো, মীনাই মীশন ওইনবা মী খোমগনো, অথোইবা য়ুমশা ষণনি মীগী ষণ ওইরবদি হুরান্দুনা চাও হায়না হায়রকপদগী খুমনগী খুনশিংগী থবক পুরিবা খাথা-লাইথা পানা ২গী অঙম অথৌশিং পুম্নমক্না খুমন ঐখোয়গী ইনিংথৌসিদি কংলাদগী ৱায়েন ৱাখুন লান্না শোইনা হায়রে হায়দুনা হায়নরম্লবদা, খুমন নিংথৌগীনা খুমন ওইবা ঐদি মায় ইকায়জরে, হুগী ময়াইনা থুমহলক্তুনা কোইসন লাকশিঞ্জরক্লে। ঐহাক নিংথৌ ওইররোই হায়দুনা খুমন নিংথৌগী ফম্বাল ওইরিবা কংলা ফাঞ্জাওদুগী মখাদা চংখিদুনা মশা থুপচিন লোৎশিনখিএ। ময়েক লানা থোক্নবা লিন, মতোক্না মুশুক মুবা, লিন লাবা, মকোক্তা মতোক পানবা হংকোক, অথোইবা লাইনিয়া ওইনা ওইখি। লাই ওইখি। (খুমন কোকপা - ‘খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা’ দগী লৌথোকচবা) ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী ৱাহং

১) “পূন্সি য়াচংবা মতম ওইরকলে
ঙাল্লম্বা আশাগী নুমিৎ তাখরে
কনানো ঐগী থোংজিন্দা লেপলিবা
পিথোক পিশিনগী মতমদি লোইখরে।”
মথক্কী ঈশৈ মতেক অসিগী অইবা কনানো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

২) “জৈনেন্দ্রগী ‘ত্যাগপত্র’ দা উৎলিবা সমস্যা” হায়বা নৈন-ৱারেং অসি অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “অকনবা শাফুগী ঈরৈ” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা অসি কনানো?

৪) “কন্ঠপুরা” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) “লৈতেং য়াওদ্রবা ফজবা” হায়বা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।